### নেসনল জুনিয়র জুদো চেম্পিয়নশিপ
# মণিপুরনা ওভরওল রন্নর্স অপ তাখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৯(ঐচএনএস): ঝরখন্দনা যূম্বু ওইদুনা রাঞ্চিদা থা অসিগী ১৬তগী হৌদুনা চত্থরকপা নেসনল জুনিয়র জুদো চেম্পিয়নশিপ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা মণিপুরনা গোল্ড ৪, সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্জ ২ পূন্না মেদল ৯ ফংদুনা ওভরওল রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রে।



দেল্লীনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা ওভরওল টিম চেম্পিয়নগী মনা ফংবা ঙমখি। মণিপুরনা নুপামচাগী কাঙলূপ্তসু টিম রন্নর্স অপ তাখি।

গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা ষ্টেটকী শান্নরোয়শিং অদুদি কে বিশাল (কেজি ৬৬), এন শিতল (কেজি ৯০), এল নুংশিথোই (কেজি ৫২) অমদি আই কলপনা (কেজি ৬৩)নি।

সিলভর মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুনা এল মেক্স (কেজি ৭৩), ঐচ বৃকমল (কেজি ১০০) অমদি এল রোশনী (কেজি ৭৮)নি। ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবশিং অদুনা এস মাইমু (কেজি ৬০) অমদি এম রোশিবানি (কেজি ৪৪)নি।

### এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট
# আই বি এস এনা ৱিকেট ৭তা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৯(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চত্থরিবা ৭শুবা এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২২-২৩ ঙসি মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দো বর্ম্মা রোদ স্পোর্টিং এসোসিএসন (আই বি এস এ) শীংজমৈ য়ুম্নাম লৈকাইনা এস দি সী লাইফম খুনৌবু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখ্রে।



আই বি এস এনা টোস ঙমদুনা অহানবা ফিল্ডিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা লাইফম খুনৌ টিমনা ওভর ২৪.৪দা ওল আউট ওদুনা রন ৯৫ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা আই বি এস এনা ওভর ১৮.৪দা ৱিকেট ৩ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা রন ৯৯ লৌরগা এস দি সীবু ৱিকেট ৭তা মায়থীবা পীখিবনি।

লোইশিল্লকপদা আই বি এস এগী মনোজ সাহনিনা অহানবা ইন্নিংসকী ওভর ৭ লংবদা রন ২৯ পীরগা ৱিকেট ৪ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা শেদো থাংমৈবন্দ অমদি কে আই ৱাই সী ক্ষেত্রিগাও লম্বা তৌনরগনি।

### ১৩শুবা লোক্তাক ট্রোফি
# সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমদি ক্লাসা এফ সী ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৯(ঐচএনএস): ওল মোইরাং ফুটবোল এসোসিএসন (অমোফা) মোইরাংনা শীন্দুনা মোইরাংগী ঙাংখ লম্পাক্তা চত্থরিবা ১৩শুবা লোক্তাক ট্রোফি ২০২১-২২গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা সাউদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু) শীংজ মৈবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।



মায় পাকখিবা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদনা ক্লাসা এফ সী কৈনৌগা থা অসিগী ২২দা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমদি এস এস য়ু অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখি।

ভাগিরটনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৫১ শুবা মিনটতা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা রেফরি অমির খাননা শীংজমৈ টিমগী কিষন, কবিরাজ অমদি কেসন অদুগা সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী য়ামিবু য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

### অহানবা এম টি বি অর্বান দাউনহিল টুর্নামেন্ট
# মোইরাংথেম গোল্লরনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৯(ঐচএনএস): ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ মাউন্টেন বাইকিং এসোসিএসননা শীন্দুনা তমেংলোংদা ঙসি পাঙথোকপা অহানবা এম টি বি অর্বান দাউনহিল টুর্নামেন্টতা মোইরাংথেম গোল্লরনা ওপন কেটগোরিগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

থোকচোম টেনিসননা অনীশুবা অমদি ক্ষেত্রিময়ুম জেকনা অহুমশুবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা নুপী সাইক্লিষ্ট অমা য়াওনা সাইক্লিষ্ট ১০না শরুক য়াখি। ইভেন্ট অসি তমেংলোংগী এম এল এ জংহেমলুং পানমৈ অমদি দেপ্যুটি কম্মিস্নর পাৱন য়াদবনা লোঞ্চ তৌখিবগা লোয়ননা এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট থাংবোই গাংটে অমদি মস্বাগী প্রসিদেন্ট ডা. এন জি অরুনকুমারসু শরুক য়াখি।

ৱিন্নর ওইখিবা গোল্লরদা লুপা লিশিং ৪০গী শেলগী মনা অদুগা অনীশুবা তাখিবা টেনিসনদা লিশিং ২৫ অমদি অহুমশুবা তাখিবা জেকতা লিশিং ১৫ খূৎশিন্নখি।

ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা নুপী রাইদর উর্বসি কাওমোমদসু কন্সোলেসন প্রাইজ ওইনা লুপা লিশিং ১০গী মনা খূৎশিন্নখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা রাইদরশিংদা কন্সোলেসন প্রাইজ ওইনা লুপা লিশিং ৩/৩ খূৎশিন্নখি।

# মণিপুর হোক্কীনা বিচু খারিবম তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৯(ঐচএনএস): স্পেনগী ভেলেন্সিয়াদা থা অসিগী ১১দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা এফ আই ঐচ ৱিমেন্স নেসন্স কপ ২০২২গী ৱিন্নর ওইখিবা ইন্দিয়া ৱিমেন টিমদা শরুক য়াখিবী ষ্টেটকী শান্নরোয় বিচু খারিবমনা ঙসি ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা মণিপুর হোক্কীনা তরাম্না ওকখ্রে।

নেসন্স কপ অসিদা পূন্না লৈবাক ৮- চিলি, ইন্দিয়া, আয়রলেন্দ, ইটলি, জপান, কোরিয়া, সাউথ অফ্রিকা অমদি স্পেননা শরুক য়াখি। কপ অসিগী থাংজ নুমিৎতা ভেলেন্সিয়াদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়ানা যূম্বু টিম ওইরিবা স্পেনবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি। ইন্দিয়াগী মায় পাকখিবা অসিনা মথংগী সিজন ২০২৩-২৪দা এফ আই ঐচ হোক্কী ৱিমেন প্রো লীগতা প্রমোট তৌখ্রে।

অমরোমদা, মণিপুর হোক্কীনা থাদোরকপা চেরোল অমদা মায় পাকখিবা ইন্দিয়া টিমদা শরুক য়াখিবা সুশিলা চনু পুখ্রম্বমবুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মহাক লাক্কদৌরিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ইম্ফালদা থুংলরগনি হায়রি।

# বোল বেদমিন্টনগী কোচিং কেম্প লোইশিনখ্রে



ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৯(ঐচএনএস): বোল বেদমিন্টন এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা লাক্কদৌরিবা সিনিয়র অমদি য়ুথ নেসনল চেম্পিয়নশিপকী শেম শাবা ওইনা পাঙথোকপা নুমিৎ ১৫নিগী ওইবা নন-রেসিদেন্সিএল কোচিং কেম্প ঙসি শীংজমৈ চীংঙামখা লুৱাংপোকপা লম্পাক মোদেল ক্লব বাস্কেটবোল গ্রাউন্দদা মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা লোইশিনখ্রে।

কোচিং কেম্প অসিদা শান্নরোয় ৫০না শরুক য়াখিবগা লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা মফম অহুম- চীংঙামখা বাস্কেটবোল কোর্ট, নৈলিট অকাম্পাৎ অমদি টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুল গ্রাউন্দদা অন্ধ্র প্রদেশতগী লাকপা ইন্টরনেসনল কোচ মোহন রাও কোদিনা তাকপী-তম্বীখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা ৱাঙ্খেইগী এম এল এ থাংজম অরুনকুমারনা অখন্নবা মীথুংলেন অমদি বোল বেদমিন্টন এসোসিএসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. লাইফ্রাকপম কুমারনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, কেরলাগী কোলমদা থা অসিগী ২৪দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৮শুবা সিনিয়র নেসনল বোল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা ষ্টেট টিম থা অসিগী ২১দা ইম্ফাল থাদোক্লগনি।

# ষ্টেট জিট কুনে-দো টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৯(ঐচএনএস): ন্যু দেল্লীদা থা অসিগী ২৪দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৭শুবা সব-জুনিয়র, জুনিয়র, সিনিয়র মেন্স এন্দ ৱিমেন্স নেসনল জিট কুনে-দো চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় নুপা ৫৭, নুপী ১৮ অমদি ওফিসল ৮ পূন্না মীওই ৮৩না শাবা টিম ঙসি লম্লাই এ সীগী এম এল এ, কে ঐচ ইবোমচানা খুমন লম্পাক ইন্দোর হোল মমাংদগী লমথাদুনা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেট টিমগী ওফিসলশিং অদুদি এন রোবর্টসন অমদি টি ঐচ রঞ্জিৎ (নুপাগী কোচ), এম দি মুজিবুর রাহমন (টেক্নিকেল ওফিসল), কবিতা লোংজম (নুপীগী কোচ), এম মালেমঙানবা অমদি সী ঐচ নিংথেম (টেক্নিকেল ওফিসল), এস ঐচ সুর্জিৎ (নুপাগী মেনেজর) অমদি এম দি সলাউদ্দিন (নুপীগী মেনেজর)নি।

নুপী শান্নরোয়শিং অদুনা চহী ১০ মখাগী কাঙলূপ্তা মর্সি লাইশ্রম, তানিয়া লোইতোংবম, সগোলশেম সুনৈনা চনু, কে দিঙ্কি; চহী ১২ মখাগী কাঙলূপ্তা ঐচ নন্দেশ্বরী; চহী ১৪ মখাগী কাঙলূপ্তা দাইনা কে এস ঐচ, ৱাই রেবিকা, এন রেনিয়া চনু অমদি দল্লিয়ু ধনেশ্বরী চনু; চহী ১৭ মখাগী কাঙলূপ্তা সুভানি মকক্, নাফিসা শাহনি, অনুশ্রী আর কে, এন জি সানিয়া; চহী ১৯ মখাগী কাঙলূপ্তা মোইরাংথেম লিন্থোই চনু অদুগা চহী ১৯ মথক্কী কাঙলূপ্তা এল সোফিয়া, সিঙ্গামযুম তাজভানু, কবিতা লোংজম অমদি হৈখাম দয়ানীনি।

### ইন্টর ক্লব ফুটসাল টুর্নামেন্ট
# জেক্সনগী হেটট্রিকনা রাও মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৯(ঐচএনএস): জেক্সননা চনখিবা গোল ৩ অদুগা নিকেশ্বর অমদি রোনাল্ডনা শান্নবগী ১৬ অমদি ১৮শুবা মিনটতা চনখিবা গোল অমমম্গী মতেংনা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা নেরাও এফ সীবু ৫-৪দা চত্থরিবা অনীশুবা কোলোনেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিএল ইন্টর ক্লব ফুটসাল টুর্নামেন্ট ঙসি ক্বাকৈথেল ময়াইকোইবীদা লৈবা প্লে ৭ ফুটবোল টর্ফতা শান্নখিবা গ্রুপ এগী মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

জেক্সনগী গোলশিং অদু শান্নবগী ১০, ১২ অমদি ২৩ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। নেরাওগী গোলশিং অদুনা ৰুঙানিক আর শিমরেনা ২ অদুগা গোংশিনরৈ গোনমৈ অমদি ৱোরিম জিংনিওনা অমমম্ চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা গ্রুপ বিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খেনা এম পি এস সীবু ৫-৪দা মায়থীবা পীখ্রে।

ৱাঙ্খে টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এস অভিনাশ, পি ইমটিয়াজ, এম দি সোয়েব, এম দি আইমানবিন অমদি ও প্রমেশ্বরনা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা ওইবা ঙমখি। পুলিস টিমগী গোলশিং অদুনা টি ঐচ কিরননা ২ অদুগা এন বোবিসনা অমদি রোশিকি কে ঐচনা অমমম্ চনখি।

অতোপ্পা গ্রুপ বিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমিনা পোলোই ফুটবোল একাদেমিবু লাকচনা ৯-৪দা মায়থীবা পীখ্রে। ক্লাসিক একাদেমিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু গানঙম মলাংমৈনা ৩, হাওবম তোম্বা অমদি রেনেদি নিংথৌজমনা ২/২ অদুগা পেটোন অমদি রোহেননা অমমম্ চনখি। পোলোইগী গোলশিং অদুনা এস সাজন, অকাশ, অসেল অফ্রিদি অমদি নৱাজ শরিফনা অমমম্ চনখি।

# ষ্টেট জিম্নাষ্টিক্স টিম লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৯(ঐচএনএস): কেরলানা যূম্বু ওইদুনা থা অসিগী ৩০দগী মথং চহীগী জন্যুৱারী ২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র আর্টিষ্টিক জিম্নাষ্টিক্স নেসনল চেম্পিয়নশিপ এম এ জি অমদি দল্লিয়ু এ জিদা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াগদবা মীওই ৯না শাবা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসল য়াওবা ষ্টেট জিম্নাষ্টিক্স টিম ঙসি ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক্স এসোসিএসননা লাউথোকখ্রে।

ওফিসলশিং অদুদি আর কে বিজয় (মেনেজর) অমদি এন খোকামণি (কোচ)নি। নুপা শান্নরোয়শিং অদুনা সাইগী কে ঐচ লক্সমন, টি ঐচ অভিনাশ অমদি পিটর নাওরেম, আর সী সীগী দেবরাজ ঐচ অমদি প্রেমরাজ ঐচনি। নুপী শান্নরোয়শিং অদুনা সাইগী ও বন্দনা অমদি টি ঐচ জেনিতানি।

# দি এস এ ট্রোফি ফুটবোল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৯(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা দি এস এ ককচীংনা শীন্দুনা দি এস এ ট্রোফি ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট মথং চহীগী জন্যুৱারী ৮দগী হৌদুনা দি এস এ ককচীংগী প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী এদমিসন ফী লুপা লিশিং ৫ ওইগনি অমদি শান্নরোয়শিং সী আর এস তৌবা ওইগদবনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না জন্যুৱারী ৪ ওইগনি অমদি নুমিৎ অসিমক্কী অয়ূক পুং ১০দা মেনেজর্স মীটিং পাঙথোক্কনি।

### এম এন সী এ ৱিমেন্স ৱান দে ট্রোফি
# পি টি আর সীনা ফোর্স থোইখ্রে


ইম্ফাল,দিসেম্বর ১৯(ঐচএনএস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চত্থরিবা ২শুবা এম এন সী এ ৱিমেন ৱান দে ট্রোফিগী ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা পি টি সী সী পাৎসোইনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাওবু ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীখ্রে।



ক্ষেত্রিগাও টিমনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ৩২.৫দা ওল আউট ওইদুনা শুপ্নগী রন ৭৫ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা পাৎসোইগী ওপনর অনীনা ওভর ৮.১দা অপীবা টার্গেট য়ৌদুনা ক্ষেত্রিগাও টিমবু ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীখি।

পাৎসোইগী বেটসৱিমেন আর কে লিন্থোইঙম্বীনা আউট ওইদনা বোল ২৯দা থুনা য়াঙনা রন ৪৭ লৌবা ঙমখি। অদুগা রঞ্জিতা কোইজমনা আউট ওইদনা বোল ২০দা রন ১৯ লৌবা ঙমখি।

লোইশিল্লকপদা পাৎসোইগী আর কে লিন্থোইনা অহানবা ইন্নিংসকী ওভর ৭ লংবদা ৱিকেট ২ অমদি অনীশুবা ইন্নিংসকী বেটিংদা আউট ওইদনা বোল ২৯দা রন ২৯ লৌদুনা ৱিমেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।




HL-B/7933/4/12-3/02



HL-P/5089/2/12-30/01

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 664**

**L. Seres (2445) - M. Goczo (2185)**
**FSIMB March Budapest HUN (5), 2001.03.08**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.c4 e6 | 3.Nc3 Nf6 | 4.Bg5 Be7 |
| 5.e3 Nbd7 | 6.Nf3 O-O | 7.Rc1 b6 | 8.cxd5 exd5 |
| 9.Qa4 Bb7 | 10.Ba6 Bxa6 | 11.Qxa6 c5 | 12.O-O Re8 |
| 13.Rfd1 Qc8 | 14.Qa4 Qb7 | 15.Ne5 cxd4 | 16.exd4 Ne4 |
| 17.Bxe7 Nxe5 | 18.dxe5 Rxe7 | 19.Nxd5 Rxe5 | 20.Rc7 Nc5 |
| 21.Qd4 Rae8 | 22. ... | | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 663 Ans. :**

31. Qxf7+ The white queen decoys Black's king.
*Your moves:31. Bg6*
*Your moves:31. Ng8*
*Your moves:31. Nd5*
*Your moves:31. Ng6+*
Kxf7 32. Bb3+ The white bishop attacks Black's king, which is defending the square g6.
*Your moves:32. Bg6+*
*Your moves:32. Ng6*
*Your moves:32. Nd5*
Kf8 33. Ng6#
1-0



HL-B/7893/13/12-12/-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com